## দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৪(ঐচ এন এস): ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা অসাম রাইফলসনা মারুটি ৮০০ (এম এন০২বি/৩৪৯৭) অমা খামদুনা চেক তৌবদা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট কেজি ২.৮০২ য়াওরম্বদগী ফারে হায়রি। ফারবা নুপা অদুগী মমীং এম দি ফিরোজ (৪০) কৌই। মহাক চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মুসলিম নগর ময়াই লৈকায় পুমকোট খুলদা লৈবনি হায়রি।

## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:13/11/2018
Valid From:08/11/2018
***Stk 14Kg:612, Rs.810.50/-***
Timing:08.00am to 10.30am

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking Upto:06/11/2018
Valid From:26/10/2018
***Stk :612 (Only CTC)***
Timing:07.30am to 11.00am

**HIYANGTHANG INDANE SL.NO. UPTO - 170**
Booking Upto:17/11/2018
Valid From:13/11/2018
***Stk :288, 19Kg Stk: 12nos.***
Timing:07.30am to 10.30am

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto:26/12/2018
Valid From:14/12/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am
(First Come First Serve)

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
Booking Upto:27/11/2018
Valid From:22/11/2018
***Stk :612* (Aadhaar Link Consumers Only)**

**IMPHAL LPG SERVICE SL.NO. UPTO - 294**
Booking Upto:03/12/2018
Valid From:16/11/2018
***Stk :306, 19Kg -180***
Timing:08.00am onwards
Delivery at Heinoupok

**HEIROK INDANE GRAMIN**
Booking Upto:27/11/2018
Valid From:04/11/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 11.00am

**K&K INDANE SERVICE SL.NO. UPTO - 250**
Booking Upto:15/12/2018
Valid From:05/12/2018
***Stk :612, Rs.810.50***
Timing:07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

**KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR SL.NO. 705-984**
Booking Upto:27/08/2018
Valid From:24/08/2018
***Stk:306***
Timing:07.30am to 10.30am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:26/11/2018
Valid From:21/11/2018
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:07.00am to 10.00am
(Submit Aadhaar Copy)

**MM GAS SERVICE**
Booking Upto:24/11/2018
Valid From:15/11/2018
***Stk :612 (DBTL) Rs.810.5/-***
Timing:07.30am to 10.30am

**MAIBIA GAS MOIRANG SL.NO. 7395 - 8240**
Booking Upto:05/11/2018
Valid From:01/11/2018
***Stk :612***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:11/11/2018
Valid From:04/11/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 09.30am

**MANIPUR POLICE GAS SL.NO. FROM 101**
Booking Upto:28/11/2018
Valid From:26/11/2018
***Stk :306 (CTC & DNSC)***
Timing:10.00pm to 01.00pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:05/12/2018
Valid From:03/11/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 10.00am

**R&H, IRILBUNG**
Booking Upto:29/11/2018
Valid From:18/11/2018
***Stk :612***
Timing:08.00am to 11.00am

**KHUMBONG INDANE SL. NO. UPTO - 390**
Booking Upto:05/12/2018
Valid From:29/11/2018
***Stk :612, Rs.814/-***
Timing:07.30am to 10.30am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:28/11/2018
Valid From:19/11/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**SAWOMBUNG INDANE**
Booking Upto:16/11/2018
Valid From:01/11/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.00am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto:21/12/2018
Valid From:18/12/2018
***Stk:306, 19Kg Stk Available***
Timing:07.00am to 10.00am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto:12/11/2018
Valid From:05/11/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am
(First Come First Serve)

# 'জন্যুৱারি ৮ অমসুং ৯ গী ইন্দিয়া শীনবা থুংনা চত্থগদৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মণিপুরদসু মায় পাকহনসি'

**ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৪(ঐচ এন এস):** শিন্মী শীংনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন্স অমসুং তোঙান-তোঙানবা ইমপ্লোয়ীশিংগী লুপশিংনা থাসিগী ৮ অমসুং ৯ দা নুমিৎ নিনি চুপ্পা লৈবাক শীনব থুংনা চত্থগদৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং অসিদা কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন্স মণিপুরনসু মপুং ফানা শৌগৎকনি অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু মণিপুরদা লৈরিবা শিন্মী খুদিংমক্সু শৌগৎপিয়ু হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন্স মণিপুরগী চ্যেরমেন লাইশ্রম সোটিনকুমারনা মীয়ামনা আপিল তৌরক্লি।

ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কন্মিটিনা শীন দুনা থৌবাল ৱাংমতাবা সী এম ও কমপ্লেক্সতা লৈব এন ঐচ এমগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট কনভেন্সন অমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা চ্যেরমেন সোটিনকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিং, লৌমী-শিন্মীশিংগী পীফম থোক্লবা দিমান্দশিং পুনবা হোৎনবগী ওন্ন-তৈনবদা চহী লিশাং শিৎনা থেংনবদগী ৱানা ফংলকপা হকশিং মৎনবা অনৌবা লেবর লো কয়া চত্থবগা ইরোইননা শিন্মী শিংনবা অনৌবা থৌশিল কয়া হৌদোরক্লি। ট্রেদ য়ুনিয়ন মুভমেন্ট নমথনবা পব্লিক সেক্তর অন্দরটেকিংশিং প্রাইভেটাইজ তৌবগা লোয়ননা লন্নাই কোর্পোরেট মপুশিং য়াইফহনগদবা অনৌবা থৌশিল থৌরাং কয়াসু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবা লেপত্রি। লৌমী-শিন্মী অমসুং মীচম মীয়াম শিংনবা অনীশুবা এন দি এ লৈঙাক্কী অনৌবা মওংগী থৌরাং কয়া থিংনবা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন্স ওর্গনাইজেসন অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীস এসোসিএসন য়াওনা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন্সনা মোদি লৈঙাক্তা অকনবা শাফু অমা পীনবা থাসিগী ৮ অমসুং ৯ দা লৈবাক শীনবা থুংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসনশিং অপুনবা প্লেটফোর্ম অমা শেমদুনা মোদিগী অনৌবা থৌরাং কয়া থিংনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা চহী ৪ হেল্লক্লে। ওথোরিটিয়ান লৈঙাক অমগা মান্নরক্লবা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক লৌমী শিন্মী অমসুং মীচম মীয়াম শিংনবা থৌশিলশিং লেপ্তুনা চত্থরকপা মায়োক্লনবা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেনশিংগী অপুনবা মীফম অমা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৮ দা দেল্লিদা পাঙথোক্লুনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা খন্নবসু লৈখ্রে।

সোটিনকুমারনা মখা তানা হায়খিবদা, ইন্দিয়া পুম্বগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা তাক্লিবা দিমান্দশিংদি মণিপুরদা ৭ শুবা পে কন্মিসন রিপোর্ট খুদক্তা চৎনহনবা, ন্যু পে স্কিমগী মহুত্তা দিফাইদ পেন্সন স্কিম চৎনহনবা, ওজা, ইমপ্লোয়ীস অমসুং শিন্মীশিংগী শিনফমদা থবক শুরিবা কন্ত্রেক্ট, কেজ্যুএল অমসুং আউটসোর্সকী মীওইশিং অমদি স্কিল ৱার্পরশিংবু রেগ্যুলর তাহনবা, ফম অহাংবা পুম্নমক মেনশিনবা, মীপুম খুদিংমকপি দি এসকী কান্নবা ফংহনবা, বেসিক লেবর লোশিং নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা, শিন্মী খুদিংমকপু সোসল সিক্যুরিটিগী খুদোংচাবা লৈহনবা, মিনিমম ৱেজেস থাদা লুপা ১৮,০০০ গী মথক্তা থম্নবা মিনিমম ৱেজেস শেমদোকপা, মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিংগীদমক হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লিংবা অমদি ষ্ট্রেট ভেন্দরশিংগী ফমফম পীনবা টাওন ভেন্দিং কন্মিটি শেম্বা অসিনচিংবশিংনি হায়খি।

শু-নোন্নিবা লৌমী শিন্মী অমসুং ইমপ্লোয়ীশিং ঐখোয় পুল্লসি। জেন্যুৱারি ৮ অমসুং ৯ দা লৈবাক শিনবা থুংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক মায় পাকহনসি। ঐখোয় অপুনবা শক্তি উৎলসি। লৌমী শিন্মী শিংনবা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী থৌশিলশিং হোংদোকহনসি। কোর্পোরেট মপুশিং য়োখৎপা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক শিন্দাকসি, লৈবাক কনসি, দিমান্দশিং অসি ফংনবা পুন্না থেংনমিন্নরসি, মায় পাক্লবা অঙম্বা মতেং পীবিয়ু হায়না চেয়রমেন্ট সোটিনকুমারনা মখা তানা মীয়ামদা আপিল তৌখি। কনভেন্সন অদুদা কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরগী কনভেনর ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত, ওল মণিপুর অশা ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটারি এ কে থোইবীসু অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা দেজদা ফমখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা শিন্মী কয়ানা কনভেন্সন অদুদা শরুক য়াখি।

# চহী ৫ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা ফম্লানবদা চেন্নবা মীওই অমা ফাদোক পীরে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৪ (ঐচএন এস):** হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী জুন ৬ কী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা পোকমিন্নবা মনাওনুপাগী শুপ্পতগী চহী ৫ রোমদমক ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু মশাগী কাদা কৌশিল্লগা ফম্লানবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা কোর্টনা মরাল লৈরে হায়দুনা ফাদোক পীখ্রে।

কোর্টকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টনা মসিগী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি। কোর্টনা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মীওই অদুগী মমিং আর কে অচৌবা এলিয়স টিকেন (৪০) কৌই। ইম্ফালগী মোইরাংখোম মখা লোক্লাওবুংদগীনি।

থৌদোকসিগী মতাংদা নুপীমচাসিগী অপোকপী মমানা থৌদোকসি থোকখিবা মতুং মথংগী নুমীৎ জুন ৭, ২০১৪ দা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা রিপোর্ট তৌরক্লবা মতুং পি এস অসিনা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬ ওফ ২০১২ গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২০৫(৬)২০১৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলবা মতুং কেস অসি ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ট্রান্সফর তৌরবা মতুং পি এস অসিনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরকখিবনি।

পুলিসনা চার্জসিট থাগৎলক্লবা মতুং হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী মে ১১ দা মতম অদুগী স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ইষ্টতা কেস অসি পোক্সো এক্টকী সেক্সন- ৬ ওফ ২০১২ গী মখাদা এক্যুজ অসিগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখি।

অদুবু থৌদোক অসি থোকখ্রিবা মফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফমদা থোকখিবনা মরম ওইরদুনা কুমজা ২০১৫ গী জুলাই ৮ দা কেস রেকোর্দশিং স্পেসল জজ, ইম্ফাল ইষ্টতা ট্রান্সফর তৌরক্তুনা কোর্টসিদা মসিগী ৱায়েলশিং চত্থরকখিবনি।

কেস অসিগী ৱায়েলদা কোর্ট অসিদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস ১৩ অমসুং দিফেন্স ৱিটনেস ৫ গী ষ্টেটমেন্টশিং পীখি অদুগা মসিগী অরোইবা হিয়ারিংনা মথং থাগী ২০, ২০১৮ দা কোর্টসিদা পাঙথোক্লগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি। অদুম ওইনমক ফাদোক পীরবা মীওইসিগী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবগী সেন্টেন্স হিয়ারিংনা থাসিগী ৫ দা পাঙথোক্লবসু কোর্টনা লেপখ্রে।

# ঙাইবগী মহুত্তা ঐখোয়না ঐখোয়বু শেমগৎচবা ঙম্নবা হোৎনরসি : মাওইষ্ট

**ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৪:** ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা ঐখোয়গী করি তৌবিরক্কদৌরি হায়না ঙাইবগী মহুত্তা ঐখোয়না ঐখোয়বু শেমগৎচবা ঙম্নবা হোৎনরসি হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কন্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লিশাং শিৎনা ইন্দিয়ন এক্সপান্সনিজমগী মখাদা লৈবদগী মরায় চাইথরবা ঐখোয়গী খুন্নাই হায়বা খঙমিন্নদুনা রেজিনেলিজমগী ৱাখল্লোন পাকথোক চাওথোক্লবা হোৎনমিন্নরসি। ইন্দিয়ন নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন য়ানিংদদুনা রেজিনেলিজমগী ৱাখল্লোন শাগৎলিবা খুদিংমক পেট্রিওৎ হায়না লুপ অসিনা ইকাই খুম্নগনি অমদি মখোয়গা চৎমিন্নবা মতম পুম্নমক্তা থোঙ লাওনা হায়দুনা থল্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা অষ্টি, রাইটরস, স্পোর্টস পার্সন, য়েলহৌ নাৎ কনবা কাঙলুপশিং, জর্নেলিষ্ট, একাদেমিসিয়ান, এদভোকেট, ইনভেষ্টর ওইবা নৎত্রগা ইলেক্টোরেল পোলিটিসিয়ন ওইবসু য়াই, শিনফমশিং অসিদা লৈরগা ইন্দিয়ন নেসনেলিজমগী মায়োক্তা রেজিনেলিজমগী ৱাখল্লোন শান্দোকপদা থৌদাং লৌরিবা খুদিংমক মাওইষ্টনা অমত্তা ওইনা খুৎশম্নগা চৎমিন্ননবা হোৎনগনি। মণিপুরগী পেট্রিওৎশিংনা রেজিনেলিজমগী মীৎয়েংদা মাগী মাগী শিন্ফমদা থৌদাং লৌদুনা খুন্নাইবু কান্নবগী থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হিন্দুষ্টানি ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী নোমিনেসনগী মায়োক্তা শৈশকপা টপ্তা অমদি অতৈ লোয়ননা মতুং তারকপদা ফোকতা য়ুম্ফম ওইবা শৈশক কয়া থোক্লকপা, ব্রাহমিনিকেল হিন্দুতা ফেসিজমগী মায়োক্তা অপোকপা মরুপ অমদি সনামহি লাইনিং শন্দোক্লিবশিং, ইন্দিয়ন মেনষ্ট্রিম পোলিটিকেল পার্টিগী মায়োক্তা এম পি পি, প্রজা, নৈদিপ অসিনচিংবা লৈরিবশিং অসি মীয়াম্না খুদম চাংদম অমা ওইনা য়েংবা য়াই। লৈরিবা শিনফম খুদিংমক্তা মায়োক্লরিবা মুরুবসি ঐখোয়গী অমদি মখোয়গী হায়বদি অচুম্বা অমসুং অরানবা অনী থেংনগনি।

চেরোল অসিনা হায়, কনাগুম্বশিংনা জর্নেলিষ্ট হায়বসি ন্যুট্রেল ওইবা হায়বদি অমগীসু মীচঙ চঙদবা অমগীসু মায়োক্তা লেপ্তবা শিনফম্নি হায়না ফোঙদোকপসু লৈ অদুবু মসি লোজিকেল্লি কৈনৌনুংদা অচুম্বা ওইদে। পাউমী অমনা তল্লিবা পাউদম অসি অচুম্বা পাউ অদুনি তৌইগুম্বসুং লৈঙাক্লা মীয়ামদা অচুম্বা পাউদম য়ৌহনবা পামদে। মরম অদুনা মতম পুম্বদা লৈঙাক্লা পাউমীশিংবু অরানবা লম্বীদা লমজিংনবা হোৎনৈ। রিপোর্টরস ৱিদাওন্ট বোর্দরনা পীবা ৱার্ল্ড প্রেস ফ্রীদম ইন্দেক্স রিপোর্টতা ইন্দিয়সি রেঙ্ক ১৩৮দা থল্লি। মসি লৈঙাক্লা পাউমীশিং অরানবা লম্বীদা লমজিংনবা হোৎনবগী অচৌবা খুদম্নি। মণিপুরদসু পাউমীশিংবু লান্না লমজিংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। খুদম ওইনা ফোঙনা মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমদা পাউমী কিশোরচান্দগী মচিল মেন্নবা হোৎনবদা এন এস এ পানশিন্দুনা থল্লি অমদি ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী মথক্তা দিফিমেসন কেস চত্থরি। পাউমীশিংদা লোন্না নৎত্রগা ফোঙনা লৈঙাক্লা খুৎ থিংজিনবা হায়বসি অচুম্বা পাউদম অদু মীয়ামদা য়ৌদনবা হোৎনবগী খুদম্নি। অচুম্বা পাউদম ফোঙবা হায়বসি অরোইবদদি অচুম্বা পাউদম মীয়ামদা য়ৌহনবা পামদবা লৈঙাক্কী অপাম্বগী মায়োক্তা লেপ্পগা চপ মান্নরকই। মরম অদুনা শিনফম খুদিংমক কৈদৌনুংদা ন্যুট্রেল ওইদে।

চেরোল অসিনা হায়, অচুম্বা অমসুং অরানবা অনীগী মনুংদা অমদা মসিগী ফিরেপ লেপ্তবা য়ারক্তে। হিন্দুষ্টানি ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী দোমিনেসন্না চুন্নিব্রা নৎত্রগা মখোয়গী মায়োক্তা লেপলিবশিংনা চুন্নিব্রা, ব্রাহমিনিকেল হিন্দুতা ফেসিজমগী দোমিনেসনননা চুন্নিব্রা নৎত্রগা মখোয়গী মায়োক্তা লেপ্প্লিবশিংনা চুন্নিব্রা, লৈঙাক্কী লাংদা তৌরিবশিংনা চুন্নিব্রা নৎত্রগা অচুম্বা খোল্লাও মীয়ামদা য়ৌহল্লিবা পাউমীশিংনা চুন্নিব্রা, ইন্দিয়ন নেসনেলিজমগী দোমিনেসন্না চুন্নিব্রা রেজনেলিজমগী ইহৌনা চুন্নিব্রা হায়বসিদি ঐখোয় ইশা ইশানা খন্নবগী মতম য়ৌরে। হীরম অসিদা মাওইষ্টকী ওইনা ময়েক শেংনা মীয়ামদা থমজনিংবা ৱাফমদি হিন্দুষ্টানি ক্লাসিকেল ম্যুজিক, হিন্দুতা ফেসিজম অমদি ইন্দিয়ন মেনষ্ট্রিম পোলিটিকেল পার্টিনচিংবশিং অসি ইন্দিয়ন এক্সপান্সনিজমগী মচলনি। মরম অদুনা মখোয়গী মায়োক্তা লেপ্প্লিবশিংবু মাওইষ্টনা পুক্লিং থৌগৎলি অমদি মখোয়গা চৎমিন্নবা হোৎনবদা নত্তনা অঙম্বা মতেং পাংগনি।

নাকল অমরোমদা রেজনেলিজম হায়বসি ৱাখল্লোন অমনি, ৱাখল্লোন অসি মাঙলগদি লুপ অদুগী মতিক ময়া চল্লেকই। হৌজিক এম পি পি হায়বা পার্টি অসি খুদম অমা ওইনা নৈনবা য়াই। এম পি পিদা য়েৎনরিবসি রেজলিজমগী আইদোলোজি চুম্মী নৎত্রগা চুমদে হায়বগী নত্তে। এম পি পিগী দুকান শান্দোকপদা লাক্লিবা শেনফম অদু মুননবনি। মাওইষ্টতসু হায়রিবা কাঙলুপ অসিমক্লা এম পি পিদগী শেল খায়য়ু হায়দুনা লাকই অদুবু লুপ অসিনা রিজনেলিজমগী ৱাখল্লোন লৈবশিংদগী শেন খায়রোই হায়বা ঐখোয়গী কাঙলোন ঙাক্তুনা খায়দে। মরম অদুনা এম পি পিগী ৱাথোক অসি লুপ অসিনা কুপ্পা য়েংলি, অথুবদা ৱারেপ অমা মীয়াম খঙনা লাউথোক্কনি।

চেরোল অসিনা হায়, মাওইষ্টকী শেন্মীৎলোনগী কাঙলোন লৈজে মরম অদুনা লুপ অসিনা শেল ফংনবগীদমক কৈদৌনুংদা ঐখোয়গী কাঙলোনগী ৱাংমদা চত্তে। অসুম্না লুপ অসিনা সলাই হোল্ডিংসকী কাঙলুপ্তসু শেলগী দিমান্দ তৌবা অমদি লন্নাই নুংঙাইতবা ৱাফম অমত্তা ফাওবা লৈতে। সলাই হোল্ডিংস অমদি মাওইষ্ট অনীগী মরক্তা মুক্নবা অমা থোক্লিবসি লুপ অসিগী লন্নাই ওইবা ৱাফমদা নত্তে। ঐখোয়না সলাই হোল্ডিংস য়াওনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনরিবা খুদিংমকপু মপুং ফানা শৌগৎকনি তৌইগুম্বসুং তৌফম থোকপা চাংদগী হেন্দোক্তুনা লৈঙাক্তা অতমন্না মতেং পাংশিনবা মানবা থবকশিং তৌরকপদি য়ারোই হায়বদু পারা অমা ওইনবা অথিংবা থমখিবনি। অদুম ওইনমক রেজনেলিজমগী ৱাখল্লোনবু লুপ অসিনা ইকাই খুম্নবা উৎপগী অহানবা খোঙকাপ ওইনা সলাই হোল্ডিংসতা থল্লবা অথিংবা খুদিংমক কোমথোক্তুনা রিজনেলিজমদা য়ুম্ফম ওইবা লন্নাই মীওইশিং অমদি লুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা ইন্দিয়ন এক্সপান্সনিজমগী দোমিনেসন অসি মুথৎমিন্নসি হায়না পাউজেল পীজরি। মরী লৈনবা খুদিংমক্সু রেজলিজমগী ৱাখল্লোন পাম্বশিং পুন্না চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা অদু খন্থবিয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## য়াইস্কুল হিরুংহনবদা বোম পোকখায়খ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৪(ঐচ এন এস):** ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইস্কুল হিরুংহনবা লৈকায়দা লৈবা স্পেসল কন্ত্রেক্তর য়ুম্নাম তোম্বা (৪৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই ইবোতোম্বী কৌবা অমগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৪০ রোম তাবা মতম্দা থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদগী ফঙবা পাউজী মতুংইন্না নুমিদা পুং ৬.৩৬ রোম তাবদা মখোয়গী সী সী টি ভি কেমেরাদা লম্বীদা ব্লু মচুগী হোন্দা এক্তিভা অমা লাকপা উখি। মদুগী মতুং মীনিট মঙারোম লৈরবা মতুংদা তোম্বগী য়ুমগী গেট ময়াদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা খঙহৌদনা পোকখায়খি হায়রি। থৌদোক থোকফম অদুদা ইম্ফাল পুলিস অমদি বোম স্কুঈদশিং লাক্তুনা য়েংশিনখি। বোম পোকখায়বা অদুদা থোইদোকপা অতেক অকায়দি য়াওখিদে। গেট অদুগী ময়াদা হিগোক মচুগী বিলাটিমাটি বোরা অমা লৈবা উবদগী চিংনদুনা পুলিসকী বোম স্কুঈদ কাঙবুনা বোরা অদু হাংদোক্লবা হোৎনবদা নুমিদাং ওইবনা খুদোংচাদবদগী চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

## বন্দনা মহৌশাগী পুন্সিদা চৈথেং পীখি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৪(ঐচ এন এস):** ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাকপগী খোঙচৎপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোরকোম য়াওনা তোঙান তোঙানবা লালহৌ লুপ কয়ানা ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী পুং ১২ গী মণিপুর বন্দনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা চৈথেং পীখি।

ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা দুকানশিং থোং হাঙনখিদে। লম্বীদা টেক্সি অমদি পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌবা গাড়ীশিং চেনবগী চাং হন্থখি। স্কুল, কোলেজ থোং হাঙনখিদে। লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদি লৈঙাক্কী অকনবা য়াথংনা থোং হাংনখি। বন্দ মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা চেকশিন্না ঙাক শেনখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইম্ফালগী হপ্তা কাংজেবুংদা লাকপগী লম্বীদা লৈঙাক্কী মী হোনবা বস কয়া চেনখি।

## নোংমৈ, শেলগা কোন্ননা ...

*লামায় ১গী মখা...* য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসন্না এফ আই আর নম্বর- ১১(১২)২০১৮ গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৩৮৪/৪০০ অমসুং আমর্স এক্টকী সেক্সন- ২৫(১-সী) গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা মখোয় অহুম্মক পুলিস কষ্টদিদা নুমীৎ ১৫ নি থম্লুরবা মতুং ঙসি য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসন্না কোর্টসিদা মখোয়বু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়রদা পুথোরকখিবনি।

পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়রদা অয়ুং সয়াই অসি এন এস সী এন-আই এমগী কিলো কিলোন্সরনি। মহাক হৌজিক সিজফায়র তৌনদুনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা চত্থরক্লিবা ৱারী অসিগী মোনিটরিং সেলগী মেম্বরনি। মহাক্লা চৎপা মফমদা নোংমৈ অসি পুরগা চৎপগী অয়াবা মোনিটরিং সেলনা পী। অদুবু মহাক্কী নোংমৈ অসিগী লাইসেন্সতি মসিবু রিকোভর তৌখিবা পর্সনেলশিংনা লৌশিনখ্রগা মখোয়গী সিজর মেমোদদি পল্লক্ত্রে হায়খি। লোয়ননা রিকোভর তৌখ্রিবা সেলশিং অসিসু মখোয় মশাগী শেল ঙাক্তনি। ন্যু য়রগী পোৎচৈ লৈবা চৎপনি, লালহৌলুপ অসিগা মরী লৈনদে হায়না পল্লকখি হায়রি।

লোয়ননা মীওই অহুমসিবু থাসিগী ১৯ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা পুলিসনা প্রেয়র তৌরকখ্রগসু হৌজিক কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনদি চত্থরি। অদুবু মীওই অহুম অসিগী কষ্টদি রিমান্দদি মথৌ তাদ্রে হায়রকপদগী কোর্টনা মখোয় অহুমবু বেলদা থাদোকখিবনি হায়রি।

## নেষ্টলেনা মেগিদা লেদ য়াওই ...

*লামায় ১গী মখা...* ওইবা লেদ য়াওবা নুদল চাগদৌরিবনো হায়বদু নেষ্টলেনা মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি। এপেক্স কোর্টকী ৱায়েল অসিনা মরম ওইরগা নেষ্টলে ইন্দিয়া লিমিটেদনা মেগি নুদল পেক তৌবা অমসুং এদভর্টিজমেন্ট তৌবগী মওং হোংদোকপগী ফীভম লাকপা য়াই হায়না থাজনরি। মেগিদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মোনোসোদিয়ম গ্লুটামেট (এম এস জি) য়াওবগী মতাংদা ফুদ সেফটি ষ্টেন্দর্দ এন্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এফ এস এস এ আই)না কুমজা ২০১৫গী জুনদা মেগি য়োনবা থিংজিনবগী থৌওং চত্থবা লৈখ্রবনি।

নেষ্টলেনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী কুমজা ২০১৬কী জন্যুৱারী ১৩ দা এপেক্স কোর্টনা মেগিদা য়াওবা পোৎলমশিং টেষ্ট তৌনবা মাইসুরগী সেন্ট্রেল ফুদ টেক্নোলোজিকেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট (সী এফ টি আর আই)তা খঙহনখি।

কেস অসি নেসনল কঞ্জুমর দিস্প্যুট রিদ্রেসেল কন্মিসন (এন সী দি আর সী)দা মতম শাংনা পন্দুনা লৈরকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিস হেমন্ত গুপ্তগী বেঞ্চনা সী এফ টি আর আইগী রিপোর্ট কৌখি। মতুং তারকপদা নেষ্টলেনা মেগি পেক্কেটতা 'মোনোসোদিয়ম গ্লুটামেট য়াওদে' হায়না থাবা লেপহনখি। মেগি নুদলদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা লেদ য়াওই হায়না নেষ্টলে ইন্দিয়া লিমিটেদনা য়াজখিবা মরম্না লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা মীওই কয়ানা পাম্না চানরিবা নুদল অসি য়োনবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

## সটাংদা কম্ম্যুনিটি বেজ টুরিজম ...

*লামায় ১গী মখা...* লুচিংবা টিম অমনা চৎতুনা খুল অদুগী ফীভমশিং য়েংখ্রে। খোঙচৎ অদুগী মতাংদা সলাই হোল্ডিংসকী চ্যেরমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর নারেংবম সমরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, সটাং ভিলেজগী চীফ অমদি লুচিংবা কয়ানা ইনভাইট তৌরকপদগী সলাইগী টিমনা মফম অসিদা চৎপনি। সটাং অসি ম্যান্মারগা তায়ননা লৈবা য়াম্না মরুওইবা মফম অমনি। মফম অসিদা ট্রেদ অমদি হীরম কয়াদা চাউখৎহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। সটাং ভিলেজদা কম্যুনিটি বেজ টুরিজম শেমগৎনবা মীৎয়েং চঙলগনি।

সলাই হোল্ডিংসকী মায়কৈদগী সটাং ভিলেজদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা খুল অসিগী য়ুম কয়া কোম্পেক্ট ওইনা শাবগা লোয়ননা হীরম কয়াদা চাউখৎহন্নবা থৌরাং পায়খৎলগনি। খুল অসিদা মনা-মশিং মখল কয়া থাবা য়াগনি। টুরিজমগী লম্দসু চাউখৎহনবগী ওইথোকপা লৈগনি। কম্যুনিটি বেজ টুরিজম শেমগৎতুনা চাউখৎপগী লম্বীদা লাক্লনবা হোৎনগনি। খুল অসিদা মৈ নীংথিনা ফংদবগী ফীভম লৈরি। মফম অসিদা মৈ ফংহন্নবগীদমকসু মীৎয়েং কয়া চঙগনি।

সটাং ভিলেজদা হাউসহোল্ড ১৫০ রোম লৈরম্মী। হৌজিক হাউসহোল্ড ৮০ রোম লৈরি। খুল অসিগী অঙাং অমদি অহল ওইরবশিংগী মশীং অসি নীংথিনা সর্ভে তৌরগনি। মহৈ-মশিন তম্বা য়ারিবা অঙাং মশীং খঙদোকপগা লোয়ননা স্কুল অমসু শেমগৎনবা হোৎনরগনি। সটাং অসি মহৈ-মশিনগী লম্দসু শোখনা লৈরিবা অসি য়েংলগা স্কুল অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা অদু লৈরি। টুরিজম সেক্টরদা চাউখৎহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরিবা মফম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগনি। ট্রেদকী লম্দসু ফগৎহনবা য়াবগী ওইথোকপা মপুং ফানা লৈরি। সোলর পাৱরগী খূদোংচাবা ফংহন্নবসু মতেং পাংলগনি।

খুল অসিগী লম্বী-থোংগী ফীভম অসিসু য়াম্না ফত্তবা ফীভম অমদা লৈরি। সটাংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরাং কয়া অসি চঙশিল্লবা মতুংদা লম্বী-থোং শেম্নবগীসু মীৎয়েং চঙলগনি। খুল অসি কোম্পেক্ট ওইনা শেমগৎলবদি মৈ ফংহনবদসু খূদোংচাগনি। দিপার্টমেন্টেল ষ্টোরগী খূদোংচাবসু ফংহন্নবসু হোৎনরগনি।

ম্যান্মারগী সাগাইংদা ট্রেদ এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমা হন্দক পাঙথোক্কদৌরি। প্রোগ্রাম অসিদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াগনি। সাগাইংদা চৎকদৌরিবা অসিদা সলাইগী মীহুৎশিংনা মফম অদুগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াগসু উন্দুনা হীরম কয়াদা ৱারী শানগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## খুৎ ওয়খক্তনা ফি শাদুনা ...

*লামায় ১গী মখা...* ঐখোয় অহুম লৈবনা ইমুং-মনুং হিংনবা হোৎনবদা অৱাবা ওই। শেন্থোক লম্বী লৈবসু ইমুং অসিদা অমত্তা লৈতে।

শামতুগী ফনেক শাদুনা হিংনবা হোৎনরি। নোংমদা ফনেক মরিদি শাবা ঙম্মী। খুৎ নাম্মনা শাবদা মীনা থাজদবা য়াওই। অদুবু শাবা উরগদি ঙক্লা য়েংনৈ। শামতু ফনেক শাবা হায়বসি নীংথমথা লোইরবদি শেন্থোক লম্বী হন্থরক্কনি। লংজমগী ফিদি অনীদগী হেন্না শাবা ঙমদে। নীংথম থাদদি থা অমদা লুপা লিশিং ৪ রোম ফংবা ঙম্মী। ফিশিং অসিসু য়ুমদা লৈবা লাকপা ঙাক্তনি। নাওরেম জেদ পি রোসন অমদি থোংজুদগী এস ভুবোননা শীনবিদুনা তেরাদা পাঙথোকপা দিসএবল মেলা অমসুং জি এম হোলদা পাঙথোকপা স্পীসল এক্সপোদা য়াওবা ফংখি। সোসল ৱেলফ্যেরনা কুমজা ২০০৭ দা হেন্দিকেপকী কার্দ পীখি। অনৌবা কার্দ ফংদবনা হেন্দিকেপকী খুদোংচাবা কয়া ফংবা ঙমদ্রি। য়ুমদা ফি শাদুনা লৈরকপনি। মেলা য়াওবসু হন্দক্লা অহানবনি। চহী ৩২ শুরক্লবা ফাওবা হেন্দিকেপকী পেন্সনসু ফংদ্রি। লৈঙাক্লা মতেং পাংবিয়ু। হিংবা য়াবা লম্বী অমদি লৈঙাক্লা মতেং পাংহন্নিংই। হিংলিঙৈ মতম ফাওবগী পেন্সনদং ওইরবসু পীবিরবদি খুৎ নাম্মা য়াওদবা অমা ওইনা পুক্লিং চাওথোক্লা হিংজবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

## চহী ২০ জেলদা থম্লক্লবা ...

*লামায় ১গী মখা...* থোক্লে হায়বসিনি। মসিগী মতাংদা মহাক্লা মমাং থাগী ১৩ দা লৈঙাকসিগী চীফ সেক্রেটরিদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং নুমিৎ ১১ নিগী মনুংদা লৌখৎপীদুনা মপূরোইববু জেলদগী থাদোকপীনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি হায়রি। অদুবু চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্তা লাক্তবদগী কন্মিসন অসিদা ৱাকৎলকপনি হায়রি।

কমপ্লেনেন্ট অসিনা কন্মিসন অসিদা মখা তানা ফোঙদোক্লিবনা মহাক্কী মপূরোইবা অসি নেসনল হ্যুমেন রাইটস কন্মিসনননা লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা হৌখিবা কুমজা ২০০২ গী সেপ্টেম্বর ২৬ তা পীখিবা প্রোসিদ্যুর/গাইদলাইন্স ওন প্রি-ম্যেচ্যুর রিলিজ ওফ প্রিজনরস কনটেন ইন নেসনল হ্যুমেন রাইটস কন্মিসনগী চেরোল অদুগী মতুংইন্নসু জেলদগী থাদোকফম থোক্লে হায়বসিনি।

ৱাকৎ অসি কন্মিসন অসিগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিগী কোরসনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩ গী সেক্সন-১২গী মখাদা লৌদুনা কমপ্লেন্ট কেস অমা ওইনা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ইনক্বারিগীদমক প্রাইমা ফেসি কেস অমনি হায়দুনা লৌখ্রে।

মসিগা লোয়ননা কমপ্লেন্ট কেস অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরি, ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (প্রিজন্স) অমসুং মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী এস পিদা থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী রিপোর্টশিং কন্মিসন অসিদা পীরক্লবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

## মমাঙগী লৈঙাক্লা প্রোজেক্ট কয়া ...

*লামায় ১গী মখা...* থেংননবগীদমক ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট লিংখৎলে। ময়াই কাবা দ্রগ থিংনবগী থবক কয়াসু পায়খৎলে। দ্রগ লল্লোনবা কয়া ফাবগী থবকসু চত্থদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক ষ্টেট অসিদা লাকপা চহী ১ খরা হেল্লকপা অসিদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং য়াম্না য়াঙনা চঙশিল্লক্লি। ষ্টেট অসিদা মমাংথক্তা লৈঙাক খ্বাইদগী শাংনা পায়রম্বা অসি কোংগ্রেসনি। কোংগ্রেসকী চহী ১৫গী মতমদা তৌবা ঙম্লমদবা থবক কয়া বি জে পিনা থা ১৫ দা তৌগনি হায়খিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপা হৌরবনি। কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোয় কয়ানা থবক থৌরাং কয়া মখোয়গী লৈঙাক্কী মতমদা পায়খৎলম্বনি হায়বা ৱাফম হেক-হেক ফোঙদোকই। মমাংগী লৈঙাক্লা লোইশিন্দনা থম্লম্বা কয়া অদু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা শেমগৎতুনা লোইশিল্লক্লিবনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্লা মপূং ফানা থবক কয়া লোইশিনবা ঙম্লমদ্রগা মচীন্দা ৱা য়াম্না ঙাংবসি খরা লেপ্পনা ফগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যাম, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংসু শরুক য়াখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.১৫ রোম চৎপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমদি ওফিসলশিংনা তরাম্না ওকখি। বাই রোদতা এয়রপোর্টতগী হপ্তা কাংজেবুং তম্না লাক্তুনা মফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখি। নৌনা শাগদবা প্রোজেক্ট কয়ানা উরেপ-উয়ুং তমখি। ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিং অদুদি, ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট মোরে, দোলাইথাবী বারাজ প্রোজেক্ট, এফ সী আই ফুদ ষ্টোরেজ গোদাওন শওম্বুং, বফর ৱাটর রিজার্ভর, সিরুই ভিলেজ উখুল, ইম্প্রুভমেন্ট এন্দ অপগ্রেদেসন ওফ ৱাটর সপ্লাই ফোর চূড়াচান্দপুর জোন থ্রি, ইকো টুরিজম কমপ্লেক্স থাঙ্গাল শুরুং, ইন্টিগ্রেটেদ টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন উখুল, ৱাটর সপ্লাই স্কিম জে এন ভি লম্বুইনি। উরেপ-উয়ুং তমখিবশিংদি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট ওফ ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি, ফ্লদ লাইটিং এট হোকি ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক, ফ্লদ লাইটিং এট মেন ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক অমদি এষ্ট্রো টর্ফ ফুটবোল এট লাংজিং অচৌবনি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা প্রাইম মিনিষ্টরদা মণিপুরগী নাৎকী ওইবা কোকয়েৎ অমদি লেংয়ান খূদোল তমখি। মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## চরুপ পেকেট ৩৫,০০০ ফারে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৪(ঐচ এন এস):** ঙরাং নুংথিল নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ দা ইম্ফালদগী জিরিবাম তম্না লাকপা ট্রক (এ এস ০১ সি/১১৮১) জিরিবামগী গুলারথোন পুলিস চেক পোষ্টতা চেক তৌবদা লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রবা চরুপ পেকেট ৩৫,০০০ পুরম্বদগী ফারে। গাড়ী অদুবু থৌরকপা দ্রাইভরনা এম দি রাফি কৌই। মহাক ইম্ফালগী হট্টাদা লৈবনি। মহাক জিরিবাম কোর্টতা লুপা ১৫০০ ফাইনসু থিহনখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা জিরিবাম পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

## ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী জান্যুৱারি ৪ এদিসনগী ৭শুবা লমায়দা য়াওখিবা *থম্মোয় পাউদম* গী অহানবা ৱাহৈ পরেংদা রেকোর্দকী পারা অমা ওইদবনা হায়খিবা অদু রেকোর্দ কিপর অমা ওইদবনা হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। - *এদিটর*

**NIELIT, Imphal**
National Institute of Electronics & Information Technology
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics & Information Technology, (MeitY) Govt. of India)
Akampat, Post Box No. 104, Imphal - 795 001, (East) Manipur

**ADMISSION NOTICE – 2019**
(Course fee Free for SC & ST Students)

| Sl. No. | Name of Course | Intake | | | Eligibility |
|---|---|---|---|---|---|
| | | CCpur | Senapati | Imphal | |
| 1. | 1 - year NIELIT 'O'- Level | 40 | 40 | 60 | Passed 10+2 or ITI certificate (one year) after matric. |

Last date of form submission & admission : 18th January, 2019.
Date of commencement of the classes : 21st January, 2019.
Reservation for SC/ST/OBC/PH students as per Government of India rules and Course Fee is free for SC/ST students.
*HOW TO APPLY* : Application form and prospectus can be downloaded from the website **www.nielit.gov.in/imphal** or collected personally from the centre on payment of ₹ 500/- during 9:00 a.m to 5:30 p.m on all working days **(Mon-Fri)**. Forms downloaded from the website **www.nielit.gov.in/imphal** has to be submitted alongwith the copy of Bank Challan (NIELIT Copy) duly signed by the bank.

Sd/-
Th. Prameshwor Singh
**Executive Director**
NIELIT, Imphal

HL-B/5102/5